# নেরোকা অমদি ট্রাউনা আই লীগতা চঙলকপা অসিনা মণিপুরগী ফুটবোলদা অনৌবা মহাও অমা পীগদৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ লৈবাক অসিগী ওইনা প্রিমিয়র ফুটবোল লীগ অমা ওইরিবা আই লীগতা মণিপুরদগী নেরোকা এফ সিনা অহানবা ওইনা সিজন অনী মায় পাক্লা শরুক য়াখ্রবা মতুংদা হন্দক্তা হিরো সেকেন্দ দিভিজন আই লীগকী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা মণিপুরগী ওইনা লীগ অসিদা অনীশুবা টিম ওইনা শরুক য়াগদৌরিবা ট্রাউ এফ সিনা ষ্টেট অসিগী মশান্না অসিবু পামজবা মীওইশিং অমদি ষ্টেট অসিগী লৈরিবা মমিং লৈরবা ক্লবশিংদা হায়রিবা মণিপুরগী আই লীগকী ক্লব অনী অসিনা ষ্টেট অসিদা লীগ অসিগীদানত্তনা ফুটবোল মশান্নদা অনৌবা মহাও অমা পীবা ঙম্লগনি।

নেরোকানা অহানবা ওইনা ইং ২০১৫–১৬ গী আই লীগ সেকেন্দ দিভিজনদা শরুক য়াদুনা ফাইনেল রাউন্দ ফাওবা চঙবা ঙমখি। থংন্নবা সিজনগী সেকেন্দ দিভিজনদা নেরোকানা চেম্পিয়ন ওইদুনা ষ্টেট অসিদগী অহানবা ওইনা টিম অসিনা ইং ২০১৭–১৮ দা আই লীগতা খোঙদাবদা রন্নস অপ তাখি।

ট্রাউগীসু ইং ২০১৭–১৮গী আই লীগ সেকেন্দ দিভিজনদা অহানবা ওইনা শরুক য়াদুনা ফাইনেল রাউন্দ ফাওবা চঙবা ঙমখি। লোয়ননা থংনবা সিজন ২০১৮–১৯গী সেকেন্দ দিভিজনগী ফাইনেল রাউন্দা ট্রাউগী খ্বাইদগী নক্নবা লম্বা ওইরিবা মিজোরামগী চিঙা বেঙদগী পোইন্ট ২ হেন্দুনা চেম্পিয়ন ওইরগা হন্দক সিজন আই লীগ ২০১৯–২০ গী ক্বালিফাইদ ওইবা ঙমখিবনি।

ষ্টেট অসিদগী হায়রিবা টিম অনী অসিনা আই লীগতা শরুক য়াবা ফঙগদৌরিবা অসি ফুটবোলবু পামজবা ষ্টেট অসিগী মীওইশিংগীদমক্তী চাওথোকচনিঙাইনি। টিম অসিনা হোৎনখিবশিং অদুগী হোৎনজমন ফঙবা ওইনা ইন্দিয়াগী প্রিমিয়র ফুটবোল লীগ অসিদা শরুক য়াবা ফঙগদৌরিবনি।

নেরোকা অমদি ট্রাউ অনী অসি হৌজিক্তি মপানগী কম্পনিশিংদগী স্পোন্সর ফঙদুনা নাকল অনীমক্না টিমগী স্কাট হেন্না কনখৎহন্দুনা আই লীগকী টাইতল কন্টেন্দর ওইনবা হোৎনবগা লোয়ননা টিম অনীমক্না মপান লৈবাককী শান্নরোই ৬। ৬ খূৎয়েক পীনখ্রবনি।

নেরোকাগী ওইনা হোঙ– কোংদা বেজ তৌবা লিভিং ৩–দিনা স্পোন্সর ওইরি অদুগা ট্রাউগীনা কোলকাটাদা বেজ তৌবা এসিয়েষ্টা স্পোর্টস এলিয়ান্স প্রাইভেদ লিমিটেদনা মেন স্পোন্সর ওইনা হন্দক্কী আই লীগকী সিজন অসিগীদমক শেম শারি।

মতম অমদা ক্লবশিং অসিনা ফাইন্সিয়েল অমসুং স্পোন্সরগী অৱাবা লৈন্নরম্বা অদু হৌজিক্তি মপানগী কম্পনিশিংনা ষ্টেট অসিদা মীৎয়েং চঙলক্তুনা স্পোন্সর তৌরকপা অসিনা ষ্টেট অসি ইন্দিয়া ফুটবোলগী ফেক্তরিনি হার্য়বসি ময়েক শেংনা তাক্লি। লোয়ননা ষ্টেট অসিগী হৌজিক লৈরিবা ফুটবোলগী মফম অসি হেন্না ৱাঙখৎন্নবা হোৎনদুনা ঐখোয়গী শান্নরোইশিংবু হেন্না এক্সপোস তৌবা মথৌ তায়।

মতম অমদা মণিপুরগী ফুটবোলবু পামজবা মীওইশিংনা ষ্টেট অসিগী ক্লবশিংনা আই লীগতা শরুক য়াদুনা শান্নবগী মঙলান অদু নেরোকা অমদি ট্রাউনা মঙফাওন্নহনবগা লোয়ননা আই লীগকী পূৱারিদা অহানবা ওইনা মণিপুর দারবি ইং ২০২০গী জানুৱারি ৮ দা উবা ফঙল্লগনি।

নেরোকাগী ওইনা খূৎয়েক পীন্নখ্রবা মপান লৈবাককী শান্নরোইশিং অদুদি– ট্রিনিদাদ এন্দ তোবাগোগী ইন্টরনেস্নেল গোল কিপ্পর মারভিন দেবোন ফিলিপ্স (৩৫), মাল্লিগী শান্নরোই বৌবাকার সিয়াকার দাইরানি (২৬), ট্রিনিদাদ এন্দ তোবাগোগী দিফেন্দর তারয়াক সামসন (২২), তোগোগী শান্নরোই কাটি কাওমি (২৩), মাল্লিগী ওসামনি দিয়ৱারা (২১) অমদি তোগোগী য়াৱো জিকো সেক্লি (২৭) নি।

ট্রিনিদাদ এন্দ তোবাগোগী ইন্টরনেস্নেল গোল কিপ্পর মারভিন দেবোন ফিলিপ্স অসি মহাক্কী কন্ত্রিগীদমক ইন্টরনেস্নেল মেটচ ৭৯ শান্নখ্রে।

নেরোকাগী টিম অসি এ এফ সি– এ গীফ রাইখাননা হেদ কোচ অমসুং এ এফ সি–বি শাপম প্রেমকান্ত সিংহনা এষ্টিটেন্ট কোচ ওইনা লুচিঙগনি। নীংশিংবা য়াই মদুদি রাইখানগী মখাদা টিম অসি আই লীগ সেকেন্দ দিভিজনগী চেম্পিয়ন ওইদুনা অহানবা ওইনা আই লীগতা খোঙদাবা সিজনদা রন্নস অপ তাখিবনি।

ট্রাউগী ওইনা খূৎয়েক পীন্নখ্রবা মপান লৈবাক্কী শান্নরোইশিং অদুদি– ঘনাগী ফোরৱাদ অবেদনিগো কোফি টি টিস (২৯), উগন্দাগী দিফেন্দর ইশেনন্দী ইশাক ( ২৮), ব্রাজিলগী ফোরৱাদ মার্সেল সিলভা (৩২), নাইজিরিয়াগী দিফেন্দর পেত্রিক উগুজি (৩২), নাইজিরিয়াগী ফোরৱাদ প্রিন্স ৱিল ইমেকা অমদি সেন্ট কিদস এন্দ নেভিসকী মিল্ড ফিল্ডর ৱিলিয়ম জিরাদ অগষ্ট (৩১)নি।

উগন্ধাগী দিফেন্দর ইশেনন্দী ইশাক অসি উঘন্দাগী ওইনা ইন্টরনেস্নেল মেটচ ৬০ শান্নখ্রে। সেন্ট কিদস এন্দ নেভিসকী মিল্ড ফিল্ডর ৱিলিয়ম জিরাদ অগষ্ট অসি মহাক্কী কন্ত্রিগী ওইনা ইন্টরনেস্নেল মেটচ ৫৬ শান্নখ্রে।

ট্রাউগী টিম অসি ব্রাজিল মচা ইন্দিয়াগী ফুটবোলদা চহী ১০ হেন্না এক্সপিরিয়েন্স লৈরবা দৌগ্লাস সিলভানা হেদ কোচ, আইলেন্দগী মিচালি ইরাকলিয়স অমসুং কে ঐচ সুরমনিনা এষ্টিটেন্ট কোচ ওইনা লুচিঙগনি।

তেল্লবা চহী খরা অসিদা মণিপুরদগী আই লীগকীদমক ক্লব ২ শরুক য়াবা হায়বসি অরায়বা অমদি নত্তে ক্লব ২ অসিনা পাঙথোকখিবা থবকশিং অসি ষ্টেটকী লৈরিবা মমিং লৈরবা ক্লবশিংনা তমজনিঙাই ওইরি। মণিপুরগী ওইনা লৈরিবা অমত্তা ঙাইরবা মণিপুর ষ্টেট লীগ অসি হেন্না মগুন লৈনা পাঙথোক্তুনা ষ্টেট অসিদগী আই লীগ ক্লবশিং মশিং হেনগৎনবা অমদি ফুটবোলবু প্রোফিসিনেল কেরিয়র লোমদা চঙশিন্নবা হোৎনবদা মরি লৈন্নবশিংনা তুং কোয়না চৎনগদবা থৌশিল পায়খৎপা তঙায় ফাদে।

ইং ২০১৯–২০গী আই লীগ অসিদা পূন্না টিম ১১ না শরুক য়াগনি। হায়রিবা টিমশিং অদুদি– জমু এন্দ কাস্মিরদগী রিয়েল কাস্মির, পঞ্জাবতগী পঞ্জাব এফ সি, ইন্দিয়ান এরোস, মণিপুরদগী নেরোকা অমদি ট্রাউ, মিজোরামদগী আইজোল এফ সি, কোলকাটাদগী ইষ্ট বেঙ্গল অমদি মোহন বগান, গৌৱাদগী চুরচিল ব্রাদরস, তামিল নাদুদগী চেনাই সিটি অমদি কেরেলাদগী গোকুলম কেরেলানি।

সিজন অসিগী অহানবা মেটচ ওইনা থা অসিগী ৩০ দা আইজোল এফ সি অমদি মোহান বগাননা আইজোলগী রজিব গান্ধী ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি।

## ষ্টেট সেনিয়র আর্চরি চেম্পিয়ন্সিপ হৌরগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ মণিপুর আর্চরি এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা খা–মণিপুর আর্চরি এসোসিয়েসননা শীন্দুনা চৎলিবা চহী অসিগী দিসেম্বর ১২ তগী ১৫ ফাওবা লাংমৈদোং প্লে গ্রাউন্দা ৩১ শুবা সেনিয়র ষ্টেট আর্চরি চেম্পিয়ন্সিপ মেন এন্দ ৱুমেন ২০১৯ পাঙথোক্লগনি।

মরম অদুনা এফিলেট তৌরবা য়ুনিটশিংনা দিসেম্বর ১ ফাওবগী মমাঙদা আর্চর ৪ না শাবা টিমগীনা লুপা ৫০০ অমসুং ইন্দিভিজ্যুয়েল আর্চরনা লুপা ২০০ গা লোয়ননা ইন্ত্রি পীশিনবা য়াগনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা চহী ১৪ মখাগী আর্চরশিংদি শরুক য়াবা য়ারোই হায়রি।

## ত্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ কোঙ–ফু ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা চৎলিবা চহী অসিগী দিসেম্বর ১৮ দগী ২০ ফাওবা মহারাষ্ট্রাদা লৈবা থানেদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫ শুবা নেস্নেল কোঙ–ফু চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ অমসুং চৎলিবা চহী অসিগী দিসেম্বর ৮ দগী ১২ ফাওবা উত্তর প্রদেশকী লক্ষনৌদা লৈবা কে দি সিংহ বাবু ষ্টেদিয়ম মল্টিপ্রপস হোলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৩ শুবা নেস্নেল কোঙ–ফু চেম্পিয়ন্সিপ্তা মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুন্নবা ওল মণিপুর কোঙ–ফু ব্রদরস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ত্রাইয়েল সেলেক্সন অমা পাঙথোক্কনি হায়রি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্পলেক্সতা থা অসিগী ২৪ নোংমাইজিংনুমিৎকী অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রাইয়েল সেলেক্সন অসি শরুক য়ানিংবশিংনা য়াওবা য়াগনি হায়রি।

## এসিয়ান য়ুঠ বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেদল ফঙলকখ্রবী বেবিরোজিসনা অমদি সনামচা ওকখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ চৎলিবা থা অসিগী ৮ দগী ১৮ ফাওবা মোঙ্গোলিয়াগী উলানবার্ডদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান য়ুঠ ৱুমেন’স বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা কেজি ৫১ গী কাঙলূপ্তা অমসুং কেজি ৭৫ কী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল ফঙলকখ্রবী নাওরেম বেবিরোজিসনা চনু অমদি থোকচোম সনামচা চনু ঙসি মেরিকো বোক্সিং একাদেমিনা ওকখ্রে।

নাওরেম বেবিরোজিসনা চনু থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা শমারাম মমাঙ লৈকাইদগী নাওরেম রোবিন্দ্রো অমদি নাওরেম ওঙবী সনাজাউবী অনীগী মচানুপীনি।

থোকচোম সনামচা চনু থৌবাল দিষ্টিক্টকী মনুং চন্না লৈবা চিংথাম মনিং লৈকাইদগী থোকচোম সনাতোম্বা মৈতৈ অমদি থোকচোম ওঙবী লাইমুজম বিমোতা দেবি অনীগী মচানুপীনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা নাওরেম বেবিরোজিসনা চনুনা ফাইনেলদা কজাখাষ্টানগী অনেল বরক্যাহবু মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেদল অদু লৌখিবনি।

অদুগা থোকচোম সনামচা চনুনা ফাইনেলদা উজবেকিষ্টানগী নভোখোর খমিদোবাবু মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেদল অদু লৌখিবনি।

গোল্ড মেদল ফঙলকখ্রবা নুপীমচা বোক্স অনীমক অসি এম সি মেরিকোম বোক্সিং একাদেমিগী শান্নরোইশিংনি।

## সঙাই মরাথোন মণিপুর পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ সঙাই মরাথোন মণিপুর ২০১৯ তোঙান তোঙানবা মফম ৩ দা থা অসিগী ২৪ দা দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফিয়স এন্দ স্পোর্টসগী অচৌবা থৌদাংগা লোয়নননা পাঙথোক্লগনি। পাঙথোক্কদৌরিবা মফমশিং অদুদি– কৈবুল লমজাও, ইম্ফাল অমদি মাওনি।

পাঙথোক্কদৌরিবা মরাথোন অসিদা শরুক য়ানিংবশিংনা থা অসিগী ২০দগী দি ৱাই এস ও ইম্ফাল ইষ্ট ,দি ৱাই এস ও ইম্ফাল ৱেষ্ট, দি ৱাই এস ও বিষ্ণুপুর অমদি দি ৱাই এস ও সেনাপটিনচিংবশিংদগী ফোম লৌরবা য়াগনি লোয়ননা ফোম পীশিনবগী অরোয়বা মতমনা থা অসিগী ২২ ফাওবা ওইগনি।

## শীন্তাকপুরেল আর কে সনাহলগী মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (এস এন এস)ঃ হুয়েল লাঙলোন থাঙ–তা এসোসিয়েসন মণিপুর অমদি থাঙ–তা মহৈকোল য়ুম্নাম হুইদ্রোমনা শীন্দুনা ঙসি য়ুম্নাম হুইদ্রোমদা লৈবা থাঙ–তা শঙলেনদা লৈখিদ্রবা শীন্তাকপুরেল আর কে সনাহলগী ১১৯ শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে।

পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট থাঙ–তা এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট থৌনাওজম প্রিয়োকুমার সিংহ, হুয়েল লাঙলোন থাঙ–তা এসোসিয়েসন মরিপুরগী হুইদ্রোম প্রেমকুমার সিংহ, হুয়েল লাঙলোন থাঙ–তা এসোসিয়েসন মরিপুরগী সেক্রেটরী হৈক্রজম চা বাবু অমদি ইম্ফাল ইষ্ট থাঙ–তা এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট নোংথোঙবম নোরেন মৈতৈনা মথং শীৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

শীন্তাকপুরেল আর কে সনাহল ইং ১৯০১গী নবেম্বর ১৯ দা শুগুনুদা পোকপা রাজকুমার সকহেন সনাতোম্বা অমদি অপোকপী কবোক্লৈ ইবেমহল শীজা অনীগী মচা ইবুংঙো ওইনা তাইবংদা খোঙদারকখি। লোয়ননা আর কে সনাহল ইং ১৯৮৮ কী জুলাই ১১ দা তাইবং মপুগী খুয়া তিনখি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবশিংনা শীন্তাকপুরেল অসিনা হিংলিঙৈ মতমদা থাঙ–তাগীদমকম কখোকপগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা থবক থৌরমশিং নৌহৌন্না নীংশিংন্নখি।

## স্বিটজরলেন্দ,দেনমাক য়ুরো ২০২০গী ক্বালিফাই ওইখ্রে

পেরিস, নবেম্বর ১৯ (এজেন্সি)ঃ হৌজিক পাঙথোকখিবা য়ূরো ২০২০ ক্বালিফাইরগী গ্রুপ–দিদা স্বিটজরলেন্দ অমদি দেনমাক গ্রুপ অসিগী অহানবা অমসুং অনীশুবা মফম কন্দুনা য়ুরো ২০২০গীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

গ্রুপ অসিদা স্বিটজরলেন্দগী ৮ শুবা মেটচ ওইনা গিপরালতারগা ভিক্টোরিয়া ষ্টের্দিয়মদা শান্নখিবদা স্বিটজরলেন্দনা গিপরালতারবু গোল ৬–১ দা মায়থিবা পীখিবনা টেবলগী গ্রুপ অসিদা পোইন্ট ১৭ ফঙদুনা অহানবা মফম কনখি অদুগা দেনমাককী ৮ শুবা মেটচ ওইনা অবিভরা ষ্টেদিয়মদা আইরলেন্দগা শান্নখিবদা গোল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রবসু গ্রুপ অসিগী টেবলদা অনীশুবা মফম কন্দুনা য়ুরো ২০২০গীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি।

স্বিটজরলেন্দ অমদি গিপরালতারনা শান্নখিবা মেটচতা স্বিটজরলেন্দগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু চিদ্রিক্ট ইতেননা মিনট ১০, ৮৪ দা গোল ২, রিকারদো রোদ্রিকগেসনা মিনট ৫০, খৃষ্টিয়ান ফার্ষ্টনাচকনা মিনট ৫৭, লোরিস বিনিতোনা মিনট ৭৫ অমসুং গ্রানিক জখানা মিনট ৮৬ দ চনখি।

মায়থিবরা গিপরালতারগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা মিনট ৭৪ চৎপদা চনখিবনি।

গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা আইলেন্দ অমদি দেনমাকনা শান্নখিবা মেটচতা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা গোল চন্নবা ঙম্নদনা লৈন্নখি।

অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৭৩ দা দেনমাককী মার্টিন ব্রাইদ ৱাইটিনা গোল একাউন্ট হাঙখ্রবসু মেটচকী মিনট ৮৫ দা আইলেন্দগী মেদ দোরহোটিনা গোল হন্দোক্তুনা মেটচ অসি দ্রো চৎখিবনি।

## I-League 2019-20 Fixtures in IST

| Date | Fixtures | Time | Venue |
|---|---|---|---|
| 30 November, 2019 | Aizawl FC vs Mohun Bagan | 2 pm | Rajiv Gandhi Stadium |
| 30 November , 2019 | Gokulam Kerala FC vs Neroca FC | 7 pm | EMC Corporation Stadium |
| 1 December, 2019 | Chennai City FC vs TRAU FC | 7 pm | Nehru Stadium |
| 1 December, 2019 | Churchill Brothers vs Punjab FC | 5 pm | Fatorda Stadium |
| 3 December, 2019 | East Bengal vs Real Kashmir | 7 pm | Salt Lake Stadium |
| 6 December, 2019 | Neroca FC vs Aizawl FC | 2 pm | Khuman Lumpak Stadium |
| 6 December, 2019 | Indian Arrows vs Gokulam Kerala FC | 5 pm | Tilak Maidan |
| 7 December, 2019 | Punjab FC vs East Bengal | 2 pm | Guru Nanak Stadium |
| 8 December, 2019 | Mohun Bagan vs Churchill Brothers | 7 pm | Kalyani Municipality Stadium |
| 9 December, 2019 | Indian Arrows vs Aizawl FC | 7 pm | Tilak Maidan |
| 10 December, 2019 | Punjab FC vs Chennai City FC | 2 pm | Guru Nanak Stadium |
| 11 December, 2019 | Mohun Bagan vs TRAU FC | 5 pm | Kalyani Municipality Stadium |
| 12 December, 2019 | Real Kashmir FC vs Gokulam Kerala FC | 2 pm | TRC Ground |
| 14 December, 2019 | TRAU FC vs East Bengal | 2 pm | Khuman Lumpak Stadium |
| 15 December, 2019 | Real Kashmir vs Churchill Brothers | 2 pm | TRC Ground |
| 15 December, 2019 | Mohun Bagan vs Gokulam Kerala FC | 5 pm | Kalyani Municipality Stadium |
| 16 December, 2019 | Punjab FC vs Indian Arrows | 2 pm | Guru Nanak Stadium |
| 17 December, 2019 | Aizawl FC vs Chennai City FC | 2 pm | Rajiv Gandhi Stadium |
| 20 December, 2019 | Aizawl FC vs Punjab FC | 2 pm | Rajiv Gandhi Stadium |
| 21 December, 2019 | Chennai City FC vs Neroca FC | 7 pm | Nehru Stadium |
| 22 December, 2019 | Mohun Bagan vs East Bengal | 5 pm | Salt Lake Stadium |
| 22 December, 2019 | TRAU FC vs Real Kashmir FC | 2 pm | Khuman Lumpak Stadium |
| 24 December, 2019 | Churchill Brothers vs Indian Arrows | 7 pm | Fatorda Stadium |
| 26 December, 2019 | Real Kashmir FC vs Chennai City FC | 2 pm | TRC Ground |
| 4 January, 2020 | Churchill Brothers vs East Bengal | 5 pm | Fatorda Stadium |
| 4 January, 2020 | Gokulam Kerala FC vs Aizawl FC | 7 pm | EMC Corporation Stadium |
| 5 January, 2020 | TRAU FC vs Punjab FC | 2 pm | Khuman Lumpak Stadium |
| 5 January, 2020 | Indian Arrows vs Neroca FC | 5 pm | Tilak Maidan |
| 6 January, 2020 | Real Kashmir FC vs Mohun Bagan | 2 pm | TRC Ground |
| 8 January, 2020 | Aizawl FC vs Churchill Brothers | 2 pm | Rajiv Gandhi Stadium |
| 8 January, 2020 | TRAU FC vs Neroca FC | 5 pm | Khuman Lumpak Stadium |
| 9 January, 2020 | Gokulam Kerala FC vs Chennai City FC | 7 pm | EMC Corporation Stadium |
| 9 January, 2020 | Indian Arrows vs Mohun Bagan | 5 pm | Tilak Maidan |
| 10 January, 2020 | Real Kashmir FC vs Punjab FC | 2 pm | TRC Ground |
| 12 January, 2020 | Chennai City FC vs Churchill Brothers | 7 pm | Nehru Stadium |
| 12 January, 2020 | Indian Arrows vs TRAU FC, | 5 pm | Tilak Maidan |
| 13 January, 2020 | Punjab FC vs Mohun Bagan | 2 pm | Guru Nanak Stadium |
| 14 January, 2020 | Neroca FC vs Real Kashmir FC | 5 pm | Khuman Lumpak Stadium |
| 15 January, 2020 | East Bengal vs Gokulam Kerala FC, | 5 pm | Salt Lake Stadium |
| 17 January, 2020 | Neroca FC vs Mohun Bagan | 5 pm | Khuman Lumpak Stadium |
| 17 January, 2020 | Chennai City FC vs Indian Arrows | 7 pm | Nehru Stadium |
| 18 January, 2020 | Punjab FC vs Gokulam Kerala FC | 2 pm | Guru Nanak Stadium |
| 19 January, 2020 | TRAU FC vs Churchill Brothers | 5 pm | Khuman Lumpak Stadium |
| 21 January, 2020 | East Bengal vs Aizawl FC | 7 pm | Salt Lake Stadium |
| 24 January, 2020 | Punjab FC vs Neroca FC | 2 pm | Guru Nanak Stadium |
| 25 January, 2020 | Chennai City FC vs East Bengal | 5 pm | Nehru Stadium |
| 25 January, 2020 | TRAU FC vs Aizawl FC | 2 pm | Khuman Lumpak Stadium |
| 26 January, 2020 | Gokulam Kerala FC vs Churchill Brothers | 7 pm | EMC Corporation Stadium |
| 26 January, 2020 | Indian Arrows vs Real Kashmir FC | 5 pm | Tilak Maidan |
| 31 January, 2020 | Chennai City FC vs Mohun Bagan | 7 pm | Nehru Stadium |
| 1 February, 2020 | East Bengal vs Indian Arrows | 5 pm | Salt Lake Stadium |
| 1 February, 2020 | Aizawl FC vs Real Kashmir FC | 2 pm | Rajiv Gandhi Stadium |
| 2 Febryary, 2020 | Churchill Brothers vs Neroca FC | 5 pm | Fatorda Stadium |
| 2 February, 2020 | Gokulam Kerala FC vs TRAU FC | 7 pm | EMC Corporation Stadium |
| 7 February, 2020 | Aizawl FC vs Indian Arrows | 2 pm | Rajiv Gandhi Stadium |
| 8 February, 2020 | Neroca FC vs TRAU FC | 5 pm | Khuman Lumpak Stadium |
| 8 February, 2020 | Gokulam Kerala FC vs Real Kashmir FC | 7 pm | EMC Corporation Stadium |
| 9 February, 2020 | Mohun Bagan vs Punjab FC | 5 pm | Kalyani Municipality Stadium |
| 9 February, 2020 | Churchill Brothers vs Chennai City FC | 7 pm | Fatorda Stadium |
| 11 February, 2020 | Aizawl FC vs TRAU FC | 2 pm | Rajiv Gandhi Stadium |
| 11 February, 2020 | Neroca FC vs Indian Arrows | 5 pm | Khuman Lumpak Stadium |
| 12 February, 2020 | Chennai City FC vs Gokulam Kerala FC | 7 pm | Nehru Stadium |
| 13 February, 2020 | East Bengal vs Punjab FC | 7 pm | Salt Lake Stadium |
| 14 February, 2020 | Mohun Bagan vs Neroca FC | 5 pm | Kalyani Municipality Stadium |
| 15 February, 2020 | TRAU FC vs Chennai City FC | 5 pm | Khuman Lumpak Stadium |
| 16 February, 2020 | Punjab FC vs Real Kashmir FC | 2 pm | Guru Nanak Stadium |
| 16 February, 2020 | Churchill Brothers vs Aizawl FC | 5 pm | Fatorda Stadium |
| 17 February, 2020 | Indian Arrows vs East Bengal | 7 pm | Kalinga Stadium |
| 19 February, 2020 | Churchill Brothers vs Real Kashmir FC | 5 pm | Fatorda Stadium |
| 21 February, 2020 | Neroca FC vs Gokulam Kerala FC | 5 pm | Khuman Lumpak Stadium |
| 22 February, 2020 | Churchill Brothers vs Mohun Bagan | 7 pm | Kalinga Stadium |
| 22 February, 2020 | Real Kashmir FC vs Indian Arrows | 2 pm | TRC Ground |
| 23 February, 2020 | Chennai City FC vs Aizawl FC | 7 pm | Nehru Stadium |
| 23 February, 2020 | East Bengal vs TRAU FC | 5 pm | Salt Lake Stadium |
| 28 February, 2020 | Indian Arrows vs Chennai City FC | 5 pm | Kalinga Stadium |
| 29 February, 2020 | East Bengal vs Churchill Brothers | 5 pm | Salt Lake Stadium |
| 29 February, 2020 | Gokulam Kerala FC vs Punjab FC | 7 pm | EMC Corporation Stadium |
| 1 March, 2020 | Real Kashmir FC vs Aizawl FC | 2 pm | TRC Ground |
| 1 March, 2020 | TRAU FC vs Mohun Bagan | 5 pm | Khuman Lumpak Stadium |
| 3 March, 2020 | Indian Arrows vs Punjab FC | 5 pm | Kalinga Stadium |
| 3 March, 2020 | Gokulam Kerala FC vs East Bengal | 7 pm | EMC Corporation Stadium |
| 4 March, 2020 | Churchill Brothers vs TRAU FC | 7 pm | Fatorda Stadium |
| 4 March, 2020 | Real Kashmir FC vs Neroca FC | 2 pm | TRC Ground |
| 4 March, 2020 | Mohun Bagan vs Chennai City FC | 5 pm | Kalyani Stadium |
| 7 March, 2020 | Mohun Bagan vs Aizawl FC | 5 pm | Kalyani Stadium |
| 8 March, 2020 | Churchill Brothers vs Gokulam Kerala FC | 5 pm | Fatorda Stadium |
| 8 March, 2020 | TRAU FC vs Indian Arrows | 2 pm | Khuman Lumpak Stadium |
| 9 March, 2020 | Real Kashmir FC vs East Bengal | 2 pm | TRC Ground |
| 10 March, 2020 | Neroca FC vs Punjab FC | 5 pm | Khuman Lumpak Stadium |
| 13 March, 2020 | Punjab FC vs Aizawl FC | 5 pm | Guru Nanak Stadium |
| 14 March, 2020 | Real Kashmir FC vs TRAU FC | 2 pm | TRC Ground |
| 14 March, 2020 | Neroca FC vs Chennai City FC | 5 pm | Khuman Lumpak Stadium |
| 15 March, 2020 | East Bengal vs Mohun Bagan | 5 pm | Salt Lake Stadium |
| 15 March, 2020 | Gokulam Kerala FC vs Indian Arrows | 7 pm | EMC Corporation Stadium |
| 20 March, 2020 | TRAU FC vs Gokulam Kerala FC | 5 pm | Khuman Lumpak Stadium |
| 21 March, 2020 | Aizawl FC vs Neroca FC | 2 pm | Rajiv Gandhi Stadium |
| 21 March, 2020 | Mohun Bagan vs Indian Arrows, | 5 pm | Kalyani Stadium |
| 22 March, 2020 | Punjab FC vs Churchill Brothers | 2 pm | Guru Nanak Stadium |
| 22 March, 2020 | East Bengal vs Chennai City FC | 5 pm | Salt Lake Stadium |
| 3 April, 2020 | Indian Arrows vs Churchill Brothers | 7 pm | Kalinga Stadium |
| 4 April, 2020 | Mohun Bagan vs Real Kashmir FC | 5 pm | Kalyani Stadium |
| 4 April, 2020 | Chennai City FC vs Punjab FC | 7 pm | Nehru Stadium |
| 5 April, 2020 | Aizawl FC vs Gokulam Kerala FC | 2 pm | Rajiv Gandhi Stadium |
| 5 April, 2020 | East Bengal vs Neroca FC | 5 pm | Salt Lake Stadium |
| 12 April, 2020 | Aizawl FC vs East Bengal | TBD | Rajiv Gandhi Stadium |
| 12 April, 2020 | Punjab FC vs TRAU FC | TBD | Guru Nanak Stadium |
| 12 April, 2020 | Gokulam Kerala FC vs Mohun Bagan | TBD | EMC Corporation Stadium |
| 12 April, 2020 | Neroca FC vs Churchill Brothers | TBD | Khuman Lumpak Stadium |
| 12 April, 2020 | Chennai City vs Real Kashmir FC | TBD | Nehru Stadium |

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com